# নুংগী ৱাহঙ্থোক্লা নৈরনি অয়েংবশিংবু চার্লি ফিল্মসকী “নুংশিবগী লমন” না

সুর মৈতৈ

সিক্কিমগী অঙৌবা উনতনা কুপ্লবা চিংশাংশিংগী পুক্লিং হুরবা মফম কয়াদা থোইবা অমদি লাংলেননা থৱাই তানা চেন চোংদুনা শকমিন্নখিবা ঈশৈবু য়েংলুবদা চিন্দা ঙংদনা তোক্লোই “ নংনা ইনাক্তা লৈরবা....” ফজে, মন্দকিনি অমদি প্রকাস সোরাইসমগী অনী পুন্না শকমিন্নবা ঈশৈ। অমুকসু হেন্না নিংথিজবনা এ কে য়াঙ্গোই অমদি পুস্পারানি অনী পুন্না শকমিন্নবা ঈশৈ অদুসুনি, ঈশৈদুমদি ফিল্ম য়েংলবা মতুং করি ঈশৈনো খংমিন্নরসি। পারী অমদি অইংবীনা শিলোংগী নিংথিরবা চিংয়া কয়াদা, পাৎয়া কয়াদা লৈরাংতনা য়োম্লবা লৈকোন্নুংদা নুংশিনা শকমিন্নখিবা ঈশৈনি। নুংশিনবগী লম য়ৌবা মতাং হাইবদুমক্লি।



লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাদা, কৃষ্ণ জন্ম নুমিত্তা শোয়দনা রিলিজ তৌনবগী খুদিংমক শেম শাবা লোয়রবা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরিবা ফিল্ম অমসু ওইরিবা চার্লি ফিল্মসকী বেন্নর মখাদা নম্বা লোয়দুনা ইডিটিংগী থবকসু লোইরবা অদুগুম্বা ফিল্মনি “নুংশিবগী লমন” ৱারীদা ওইনাম রোমেন, স্ক্রনপ্লে অমদি ডিরেক্টর ওইনা মমিং লৈরবা ড্রামা ইবা মোইরাংথেম ইনাওনি। ম্যুজিক্লা একে য়াঙ্গোই, মশামকসু প্লেবেক শিঙ্গর ওইরি। অতোপ্পা প্লেবেক শিঙ্গরশিংনা, প্রকাস শোরাইসম, মন্দাকিনি, পুস্পারানি অমদি কাজলনি। মেক-অপ্তা জেনি খুরাইনা নিংথিনা থৌ পুরি। ফিল্ম অসিবু হেন্না মগুন হাপ্লিবা মীশক অমা হায়বা তারবদি ইডিটর রাকেশ ওইগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই।

“নুংশিবগী লমন”বু সিনিমা অমা ওইহনবদা শক্তম লাংলিবশিংদি অনৌবা মাইথোং য়াওদনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা আর্টিষ্ট ঙাক্তনা য়োম্লগা পুথোরকই। প্রকাসনা থোইবগী শক্তম লাংলি, অশোক্লা পারী, অর্টিনানা অইংবী, মোমোকোনা লাংলেন অমদি ফত্তবা শাবদা পক্লবা বিদ্যানন্দনা খাবগী মশক লৌদুনা মেলোদি, নুংশি নুংওল, ফাগী জুগাই অমদি এক্সন কয়ানা নৈখাইরগা স্ক্রন-প্লে অমদি ডিরেক্টর ওইরিবা মোইরাংথেম ইনাওনা নিংথিনা ফিল্ম ওইনা পুথোক্লবা, থৌদাংগী মহৈ ফংনবা, অৱা অনা থিদনা হোৎনবা ফিল্ম অমা ওইরি।

শম্লপ্পা ৱারিগী পরিংদা-পারী, লাংলেন মচিন মৌপ্পানি, মথক্তা মচে অমসু য়াওরি। য়াম্না চম্না হিংজবা ইমুংনি। নোংমা শোইখিবা থৌদোক অমদগী থোইবনা পারীবু গাড়িনা থেংলুবদগী চমথোক্লদুনা পারীগা থোইবগা চান্নবা মরুপ ওইনখি। মবুং তিন্নবা থোইববু লাংলেন্না অহানবা উবমক্তদা নুংশিবা পোকখিদুনা মখোয় অনী নুংশি মরী লৈনরকই। নাকল অমরোমদা পারীসু অইংবীবু থম্মোয়মক্লি খন্দুনা নুংশিনা লোয়নজে। অইংবীনসু পারীবু থৱায় তানা নুংশিজে। ৱারীগী হৌনবী বেদ য়াওদ্রবদি ৱারি মপুং ফাদবনিনা বেদকী রোল লৌরিবা খাবনা মাগী গেং খুৎপুগা মান্নরগা নোংমা অইংবীনা পারী উনবা লাকচবদা লন্বীদগী কিদনেপ তৌরগা ইজ্জৎ লৌখি। মতুংদা হাৎতোক্ল গা হুন্দোক্লমই। মীহাৎপনা পারীদা তাহৌদুনা অৱাফমদা মতম কুইনা নুংশি মৈচাক খাংদুনা লৈখি।



হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা নুপীবু কৈসু লৈতনা ফাবীবা, ইজ্জৎ লৌবীবা, হাৎতোকপীবা, অতোপ্পদা তাইশিন্নরগা মরাল লৈতবনা অৱাফমদা তাবা মরাল লৈবশিংনা নোক-খেদুনা নুঙাইনা লৈহৌবা উৎপা ফিল্ম অমসু ওইরি। অরোইবসুনি, অচুম্বনা মমৈদা মায় পাকই তাক্লুনা, এক্সন ময়ামগা লোয়ননা অচুম্বা মশক পুথোক্লবা মায়োন অমদা নিংথীনা পুরকপা ফিল্ম অমা ওইরি।



অদুমকপু মশক থোকপা ফিল্ম অমা ওইগনি তাক্লিবসি ডিরেক্টরগী কাচিন কোয়া কুপ্না য়েংদুনা অশোয়বা য়াওদনা, মতাং চানা ফাগীগী সিন কয়া হাপচিনবসিনসু ওইরি। য়াম্না ফজবা নোক্লিংবা মতাং অমা হাইবা তারবদি লাংলেনগী মচেনা মখোয়গী ফেল ওইরবা টোইলেট শেম্নবা মী লাকপা ঙাইরিঙৈদা থোইবনা ইচম চম্না লাংলেন উনবা লাকই। লাংলেনগী মচেনা থোইববু টোইলেট শেংনবা মীদু ওইরবোই নিংদুনা হায়বা ৱাহৈ, থোইবনা ইক-আ তৌদুনা খুম্ফম খংদবা, মদু উরগা লাংলেন্না মচেদো মানা ঙাইরিবা মীশক্তো নত্তে তাকপা সিন অদুম্মক চুনৈ, য়েংবদা নুংঙাইবা মতাংনি। অসুম্না ইন্টরটেন্টমেন্ট সিন ৱারীগী মরক্তা হাপ্পা হায়বসে খরা। কম্মসিয়েল ফিল্মগী তৌদ্রবা যাদ্রবা চৎনবী অমনি হায়বসি তাকই।

থোইবনা লাংলেনগা পুল্লগা পারীবু মতৌ করম্না জেলদগী লৌথোকখিবা। মদুদা শাওরবা খাবনা লাংলেন্দা মীৎয়েং চংলকপা। পারীগা থোইবগা পুল্লগা মতৌ করম্না ফৎত্রবা খাবগী লমচৎ মীমাংদা পুথোরকপা অমদি ফত্তবা মীগী পোলোই মমৈদা করি ওইখিবা পুন্নমক ফিল্মগী ৱারীগী মনুংদা য়াওরীবনা য়েংলগা খংবীরনি। তশেংনা ওইনাম রোমেনগী হন্দক্লী ফিল্ম “নুংশিবগী লমন” মায় পাক্লবা ফিল্ম অমা ওইরগনি। ওইবসু ওইবীয়ু হায়না ইশানসু য়াইফ মঙ্গল পিজরি।

ফিল্ম অসিদা সদান্দসু সাইদ রোল ওইনা য়াওদুনা অফবা ফিল্ম অমা ওইনবগী মতেং পাংলি। থোইবগী মমাগী শক্তমদা গীতানা নিংথিনা এক্ট তৌরি। পুন্নমক্লা হুজিক্তি ঙাইরিরো কৃষ্ণ জন্ম নুমিত্তা শোয়দনা রিলিজ তৌরগদবা চার্লি ফিল্মসকী “নুংশিবগী লমন”।

JOB NEWS
URGENT AIRLINE JOB IN DOMESTIC & INTERNATIONAL AIRLINES.
1. Ground Staff / Supervisor Qua :- XII/Graduation
2. Cabin Attendant / Cabin Crew Qua:- XII/Graduation
3. Air-Ticketing / Loader Supervisor Qua :- X -to- Graduation
Monthly Salary :- Rs-13000 - RS-30000 + INCENTIVE
NO DEPOSIT OR NO ADVANCE TRAINING FFES
HurrY HurrY
URGENT WANTED FRONT OFFICE RECEPTION IN IMPHAL
1. Front Reception / Front office Executive
2. Telle Caller Support Staff
3. Office Assistant Manager
WORK FOR HOME/OFFICE (PART/FULL TIME)
1. S.M.S Advertisement Job 2. Data Copy Job
Earn Rs-2000 to Rs 12000 per week.
Monthly Salary :- Rs-6000 to Rs-13500.
Qualification :- VIII to Any Above Qualification
Shiva Job Consultant Pvt Ltd
Uripok Kangchup Road Near Oil Pump, Imphal
#- 8131070546 & 8730085303

LOUREMBAM ENTERPRISES
A complete furniture showroom of Indian and imported items.
SUMMER BONANZA DISCOUNT
1) ALCOSIGN - 10% FLAT
2) VECTRA - 10% FLAT
3) NEELKAMAL - 10% FLAT
4) M S FURNITURE - 10% FLAT
5) ZORIN - 15% FLAT
6) ZUARI - 15% FLAT
7) ALDER - 18% FLAT
8) KOSMO - 18% FLAT
9) SPACEWOOD - 18% FLAT
10) VERITA SOFA - 10% FLAT
ALL KIND OF SOFA INCLUDING L – PETTERN , 3+1+1, 3+2+1, 3+2+2 ETC. HAS GIVEN DISCOUNT OF 15% FLAT.
SPECIAL DISCOUNT:
1) ONOMA 4 DOOR RS. 24500/-
2) ONOMA 3 DOOR RS. 21500/-
3) ONOMA 2 DOOR RS. 14500/-
AND ALSO 30% FLAT DISCOUNT OF ALL IMPORTED FURNITURE ITEMS.
CONTACT ADDRESS:
CANCHIPUR OPPOSITE MANIPUR UNIVERSITY MAIN GATE.
AND MOIRANGKHONG NEAR BLOSSOM SCHOOL BEHIND QUICK N EASY SHOP.
MOBILE NO. 09864481911, 08876291082, 09436280324
Mail Id: lourembamenterprises@gmail.com

LIVSAV DS
Syrup / Capsules
Liver Tonic
Benefits of Livsav
✓ Controls acidity
✓ Increases appetite
✓ Improves digestion
✓ Helps to clear stomach
✓ Gives relief from constipation
Liver Fit Toh
LIFE Super Hit
Manufactured by: Hindustan Research Health Products Pvt. Ltd; Thane(Maharashtra).
G.M.P. & ISO 9001-2008 Certified Company CUSTOMER CARE:- 0250-2393627

lemon mobiles
Slim and Stylist Phone
P 8 Rs. 4,549/-
B 839 NEW
B 169 NEW Rs. 1,099/-
B 649 NEW Rs. 1,949/-
B 149 Rs. 1,035/-
B 809 NEW Rs. 1,899/-
S 549 NEW Rs. 1,949/-
S 449 Rs. 1,599/-
B 829 NEW Rs. 1,849/-

ENIGMA PROFESSIONAL BEAUTY CLINIC
Institute of Beauty Therapy
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI, IMPHAL-WEST, MANIPUR - 795004
"You were born with a gorgeous smooth skin, get it back"
ADMISSION OPEN
* 6 MONTHS DIPLOMA COURSE
* 3 MONTHS ADVANCE COURSE
* 1 MONTH BASIC MAKE-UP COURSE
### (flat 20% discount on course fees)
SERVICES AVAILABLE (upto 20% discount)
* All hair beauty services & treatments
* All skin beauty services & treatments
* All parlour activities
LAST DATE OF FORM SUBMISSION: 12TH AUGUST 2014
Class commencing on 18th August, 2014
Contact: 9863367799

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*